"লোইরে ইমা কংলৈপুং, লোইরে ইমা কংলৈপুং,
নঙগী কংলৈ সনাপুং।"
- *অশাংবম মীনকেতন ('সনরিক পরেং' শৈরেংদগী)*

## নুপী লাল

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

ঈংলবা ঈংথমগী অয়ূক্তা
পারবা চরৈ ইন্দুনা
ইমুংগী কুপনোম নংনবা
মায়কৈ থুংনা চেনবদা
হূমাং অনপ্পী কাজরিবা
নুপী লাল নত্তবরা?
নুংশিরবা পলেম পন্থৌ
ইবুং-ইপ্পা তুংওইনরম
থাদোক্তুনা ইপাম লমদম
য়ূম্নাক শাগৈ হোংলকপা
ঙস্বগী থৌনা চেল্লিবা
নুপী লাল নত্তবরা?
ইপারি চাউদবা নমদা পো
এঙ্গাং নাপী কোক্তা থোন
খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পাংলিবা
চরা ইন্দাং তান্দুনা
ইমুং থাল্লিবা থৌওংসে
নুপী লাল নত্তবরা?
খূৎতা মৈনম পায়দুনা
লৈকায় লৈকায়গী মৈরাশঙদা
অহিং মিৎশেল খাংদুনা
মচা মনাওশিংবু শেন্নরিবা
মৈরা পায়বীগী শক্তম লৌ
নুপী লাল নত্তবরা?
কুঞ্জরানি, মেরি কোম, সরিতা
লাইপোকনি ঙম্নমক অথোইবী
ওইগী লমদাং ওইজরবসু
য়েৎকী লমদাংনা কৈদৌরুনি
মথৌনা মরিংজেল ফুদোক্লিবসে
নুপী লাল নত্তবরা?
তৌরু তৌরুবা শিনফমদা
চঙলু-চঙলুবা মফমদা
লানঙম ফিরাল থেৎতুনা
মীংচৎ উরোং খিল্লম্বা
মখোয় পূম্নমক্কী থৌগাইসে
নুপী লাল নত্তবরা?

## চক্রবিহু

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

করিগী য়াতারি নিদ্দ্রাগী তম্পাক্তা
অদুক খূৎলৈ থুনা হে দেবী!
মপাবুংনা তাকপীবা বিহু চংবগী কাঙলোন
তানা তানা নহাক্কী সিয়োমনুংদা
তূমথখ্রে নচা অভিমৈন্যুসু
খঙহৌদ্রে কাংলোন্দুদি বিহুনুংদগী থোক্লকপগী।
চঙখিবদি ঙল্লগা থোক্লকপদি ঙমদবা
অভিমৈন্যুগুমলে, কোরোনা নহাকসে।
'দুবু নীংশিংউ রথী তরেৎপুদি।
জয়র্দথসু লাক্লনি করমনো নহাকপু
খাঙুথক্তা পুন্সি পিখন্নবা তারেদো।
জয়র্দথবু ঙম্বা অমমুক লাক্লনি।
খঙজিল্লু মহাকপু; 'মপাদুনি' শাউরবা!
মপুমানা থারকপনি মহাকসু
তাইবঙ শিন্থা পাংলুনবা
মহাক্কী মায়ানা অমম্ববু ঙালহন
অঙানববু মমহন্দুনা শান্নরি লীলা
নুংঙাইনা মহাক্না মালেমগী তম্পাকথকসি
করিগী য়াতারি নিদ্রাগী তম্পাক্তা
অদুক খূৎলৈ থুনা হে দেবী!

## দিসেম্বর থানা লাকপসিদা

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

নীংশিংলি ৱারী শিংবুন
কুমজা ১৯৩৯গী মণিপুরগী নুপী লালগী
কাউঙমদে ঙসিসু ইমা মৈতৈ লৈমগী মমোমশিংদো
বৃটিশ সাসনগী লৈঙাকলোন্দা
অওনবা কয়া পুরকখিবী
লৌশিং চাউবী, থৌনা ফবী ইমাশিংদো।
নিংথৌগী লাইনিংলোন, শেন্মীৎলোন,
চৎনলোন কয়াদসু
অওনবা পুরকপা ঙমখিবী ইমা নখোয়নি।
পোইনু লৌরোক পান্থাদা
মণিপুরগী সনা কৈথেলশিংদা
চেঙৱান, ফৌৱানবা ফংলক্তবদা
মৈতৈ য়ূমথোঙ অয়াম্বা
চাকখুম মৈ মুৎনরক্লবদা
চোঙথোকপীরকখি থৌনা ফবী
কৈথেল ফন্থী ইমাশিং।
ইমাশিংনা লুচিংদুনা হৌরকখি 'নুপী লাল'
নোংমৈ শঙ্গিনগী মরক্তা বৃটিশকী মায়োক্তা
শিন্থখি 'ঈখেং' থোৎলবা ইমাশিংগী হকচাংদগী
'জেল'দা থম্বীখি ইমা কয়া কয়া
অদুবু হনবা লৈখিদে ইমাশিংগী থৌনাদি।
অকি তুজুং ফাওহনখি বৃটিশ ফম্নাইবশিংগী থম্মোয়দা।
হেন্না হেন্না থৌনা হাপকৎলকখি
ইমাশিংগী থম্মোয়নুংদা
অনৌবা ঈহৌ শাগৎলকখি
'মিল' কয়া থুগায়খি
'মিল' দা চেঙ তকপা থিংখি।
ঈংলবা অহিংদা সরক্তা য়ারেক্তুনা
লোন্না 'ফৌ' তাইনবা পুখৎলকপা থিংখি
গাড়ী মমাঙদা হিপচিন্দুনা
মপান লমদা 'ফৌ, চেঙ' থাদোকপা থিংখি।
ইমাশিংগী থৌনা লিংজেলদি
অতাঙবনি অতাঙবা মালেমদা
মৈনা, ঈশিংনা মুখৎপা ঙল্লরোই
ইমা নখোয়গী মিংলেনদি।
তোন্দুনতা লৈহৌরগনি
ইমা নখোয়গী লমনদি
নখোয়গী 'ঈহৌ' নীংতম ঈহৌনি।

## মৈতৈ চনুরা অমদা

**—এন নোরেন**

অদুঙৈ মপা লৈতনা ঙাল্লম্বা মালেশ
তেখিবনি মৈতৈ ইমাশিংদুগী থৌনাদা
চেঙ চরা অমগী ঈ খুজোক-খুজোক কৎখিবা
কাউরবরনে কাউজল থীবী নহাকপু?

মীকপ থোক্লো তূল্লগনু থেংমল্লেনে,
হৌদোক্লুরো তূমদুনা লৈরিবা
লুচিংবীনবা লৈত্রবা মৈতৈ ফুরুপ,
খঙহল্লো মী ওইনা পোক্লম্বগী ৱাহন্থোক!

য়েংখৎলু মমশিল্লক্লিবা অতিয়া থক্তা
থোক্লক্লিবা থৱান্মীচাকশিংসিগী মরক্তা
ঙাল্লিবশিংসে অদুঙৈগী থৌনা ফবীশিংদুগী
থৱায় মিরেলশিংদুনা শায়োনখিবা কয়ানিনে!

মীকপ থোক্লো তূল্লগনু থেংমল্লেনে,
হৌদোক্লুরো তূমদুনা লৈরিবা
লুচিংবীনবা লৈত্রবা মৈতৈ ফুরুপ,
খঙহল্লো মী ওইনা পোক্লম্বগী ৱাহন্থোক!

## নিংথম থা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নিংথম থা হায়বদো
লাকপদি লাক্ল মাল্লে
ঐদি ইকায়রদুনা
লাক্লরোইদ্রা হায়না
খল্লুরবনি।
নহান নোংমা
ঈশিং পায়রুববু
নিংথম থাগী ঈশিংদো
মসিনিদনা হায়না খনখি।
ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ
লাংবন তর্পনগী
অয়ূক লৈচিল থাবা থেংনখি,
কুমসি নিংথম থাসি
থেংমনলবরা খল্লুবনি
লাকপদি লাকইদনা
থেংলবসু থেংনা।

## নীংখায়রক্লবা পল

**—অঙোম ইবোমচা**

ঈচেলনি ঈচেল কল্লবা
মতমগী শাফু অওনবা
থিংল-থিংলগা য়ুরকপা
ঈচেলনি ঈচেল কল্লবা।
লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী
চৎন-লোলচৎ নিংথিজবা
থকসি-খাসি থৌগল্লোন ফজবা
উরক্ত্রবা, লৈরক্ত্রবা, মাঙলক্লবা
ঈচেলনি ঈচেল কল্লবা।
ফিজেৎ-চাজেৎ চনুরাশিংগী
চিঙ্গাক শাজৎ মপারিশিংগী
তাইওন্নবগী তাইওন্নবা ঙাক
থিংল-থিংলগা য়ুরকপা
মতমগী শাফু অওনবা
ঈচেলনি ঈচেল কল্লবা।
চাহৈদবা চিঙ্গাক্লা নিশা-ওই
চারুরবা, থক্লুরবা, কাপ্লুরবা
শুম্না চারক্লবা হকচাংশিংনা
কয়াম কুইনা লৈখিনি
য়ূম্বী ওইনা মালেমদা
ঈচেলনি ঈচেল কল্লবা।

## মীহৌবা

**—পুয়াম অচৌ খুমন**

লৈরাং ঈশিং চাইবীবা নত্তে
লৈরাংদুদগী তীল ফাদোকপসু নত্তে,
পৎ পৎ থদৎপা হৌনশানি
কল্লকপা মীহৌবা নঙদি।
তল্লনু মঙোন্দা অফবা
ইতু ইচা ইশাগী অফবা,
চাকচরিবনি মীহৌবা থম্মোয় মাদি
তুংদনা অমা মাঙদনা অমা।
শাউরুনু মীহৌবা মহাক্তবু
নঙনা হেনবগীনি মহাক্না কল্লকচবা,
অরোৎপা অফোংবা হায়রুনু
কাঞ্জ মখাদা লিন চঙবগুম্বনি।
মানা তৌবতা শিংথাই
মীনা তৌবদি উশিন্নদে।
থম্মোয়দি অপিকপা লাংখোং
ঈচেল পিক্লা চেল্লি।
লাপ্লা লৈয়ু মঙোন্দগী
কিজে, কল্লকপা মীহৌবা নঙতবু।

## মীপাইরে

**—নরেশ লাইময়ূম**

ফুগাইনা শাৎপা থম্বালনা
ৱাকচীংগী উলেল লাক্লবদা
লাইজ ঈরোলনুংদা কংলক্লবা মতম
তাইবঙ মীগী য়ূমথোং খুদিংদা
ফৌগৈ চোন্না কারকপা মতম
মহৌশা লাইরেন্বীগী খূৎশেম্না পীবা
খুদোলনা নুংঙাইবা মতম
চারু খুদিং হাওবা
য়েংলু খুদিং ফজবা মতমসিদা
ৱাখলসে লৈতাফম খঙলকত্রে
তাইবঙ মীনা হৈ শিংলুবদগী
মহৌশাগী খূৎশেম থুগাইরুবদগী
মালেমগী মফম খুদিংদা
সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারদগী হেন্না শাথীবা
মীওইববু য়োৎকদৌবগী তান্নরিবা
কোরোনাভাইরস মাগী মখূৎতগী
করম্না নাম্থোকসিগে খনবদা
তাইবঙসে লৈতাফম খঙদ্রে
চারে চাফম খঙদ্রে, তূমলে তূম্ফম খঙদ্রে
অকি তুজুংবনা মীপাইরে।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ডিস্কো গর্ল শরুংবম দেবলা

খুন্দ্রাকপম তা-জয়কুমারনা ঐগী ঈশৈ অমতং শকপীরগদি হায়দনা ঐগী মরুপ ইরেংবম কৃষ্ণচন্দ্রদা তা-জয়কুমার উন্নরুসি হায়দুনা ঐনা কন্না হেক হেক ঙঙখিবা মতম অমা লৈখি। ঈশৈ কন্না ইনিংলকপা মতম্নি। মশক নাইবা শৈশকপা অমনা শকই হায়বদু পামজরুবগীনি। মতম অদুদা ঈশৈ ময়েক ইবশিং- মণি মাইরম্বম, কে সি নন্দ, শোরারেন, থাংজম কোরা, কোনসবা ইবোচৌবা, বি.জয়ন্তকুমার, বাস্তি সনামচা, খুরাইজম ফুলেন্দ্র অসিনচিংবা মশক নাইবা কয়ানি। শক্লাইবশিং অসিনা ইবা ময়েক্লা অয়াম্বনি রুপরাগনা মতম অদুদা মীয়ামদা কাউঙমদবা ঈশৈ ওইনা কন্না খুদোল তমখিবনি। মরক মরক্তা তিন্নবা নক্লবা শৈরেংবা খরগী ঈশৈসু রুপ রাগনা শকখি। রুপ রাগনা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনবা ঈশৈ নোংমাই থৌরম কোয়না চৎখিবা মতম্নি। অহিং অথেংবা ফাওবা ঈশৈ চৎলুবনিনা ঈশৈ নোংমাই তৌজবশিং য়াহৌ য়াম্না থেংনা হৌগৎনৈ। ঐগী মরুপ ইরেংবম কৃষ্ণচন্দ্রদি রুপরাগদা ত্রিপল কোঙ্গো থীনবা অয়েবশিংগী মরক্তা নহা ওইনা মতম অদুদা য়াওরি। নুমিৎ খুদিংগী অথেংব ফাওবা ঈশৈ থৌরম চৎলুরবসু মহাক্তি য়াহৌ পংথেং থেংনা হৌগৎতে। ইবানি হৌনরগা ক্বাকৈথেলদা লৈবা তা-জয়কুমারগী য়ূমদা নোংমা অয়ুক অমা চৎলি। নীংথম থানি। তা-জয়কুমার হৌগৎলমদে। ঐখোয় লাকই হায়রুবদা য়াম্না তন্না হৌগৎলকখিবা ঐ নীংশিংলি। ঐগী মরুপ্পা তা-জয়কুমারদা ঐবু মশক তাকপিখি। ঐগী ঈশৈ ময়েক পুথোক্তুনা য়েংহল্লি। ফৈ য়াম্না ইরকউ হায়রকই। মতমদু তা-জয়কুমারসি ৱা কয়া ঙাঙগন্দে। ৱাখল খল্লগা ৱা ঙাঙবা মী ওইনা ঐনা থেংনখি। ফনা তোয়না মনাক্তা ঐগী ঈশৈ শকপীনবা উন্নবা চৎখি। শৈপানবসু তাদে শকপসু শকখিদে। অনকপদা পাংথোকপা শৈফমদা চৎতুনা রুপ রাগগী ঈশৈ তাবা চৎপা হৌখি। মতমদুগী রুপ রাগগী অয়ৈ অখোং ওইবীরম্বা মরুওইনা গম্ভীর বাঁসি, বোরেন শর্ম্মা, মেন্দোলিন দিল্লিপ ঐগী মরুপ ইরেংবম কষ্ণচন্দ্রগী মপালদগী খঙনরে। ঐহাকসু ৱা কয়া ঙাঙগন্দবা ওইনা লাকই। মীঙোন্দা নপশিনবা তোরো খোন্দানবসি ঐসু কয়া হৈনরক্তে।

থাজদনা নোংমা তা-জয়না ঈশৈ ময়েক অমা ইরকউ নুপীনা শক্লবনি হায়রকখি। ঐনা অমুক কুপশিন্না হংঙি নুপীদু অহল্লা নহারা ? তা-জয়না হায়রকই ঐখোয়গী অঙাং নুপীমচা অমনা শক্লবনি। শরুংবম দেবলাগীনি হায়রকই। ঐনা অমুক শরুংবম দেবলা কনানো খঙখিদে। ময়েক্কী ৱাখল খনবা হৌখি। ইফম খঙদনা লৈরিঙৈ নোংমা ঐগী য়ূময়াদা হৌবা মালিকা পান্বীদা লৈ মচা মচা পোমলম্বা উবদা কলম পায়খৎখি, ইখি- *"ঐগী পূক্লিং লৈকোন্দা, লৈশাৎ তল্লে মালিকা, লোৎপা ঙমদ্রে লৈহীসু, ফোঙদোকলক্লে মতম্না। চিংনজৈ মালংনা খঙখিবা, ইকায়জৈ থাজনা উখিবা..।"* তা - জয়কুমারনা শৈপানবীরগা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাংথোকপা ঈশৈ নোংমাই থৌরম অমদা শরুংবম দেবলানা শকহনখি। ঐনা দেবলা অহানবা খঙখিবসি নুমিৎ অদুগী থৌরম অদুদগীনি। ঈশৈ অদুমক দ গ্রেদ টু নাইটস থৌরমদা অমুক হন্না বোরেন অমদি ৱাহেংবম শ্যমসন অনীনা নীংথিবা মিউজিক শেমদুনা শকখিবদগী ঈশৈ অদু হেন্না ফজরকখি। দেবলাসু মীয়াম্না শোন্নবা নিনফুং নিনফুং ঙাঙনবা ঐনা তাখি। শরুংবম দেবলানা দ গ্রেট টু নাইটস অহানবা য়াওবদা ঈশৈ অসি শকখি। পোপুলর ওইখি। হিন্দি ঈশৈ শকপা য়ারিঙৈদা দেবলা মরক মরক্তা হিন্দি ঈশৈ শকখি, অসামী ঈশৈ নীংথিজনা দেবলা শকই। অসামগী বিহু মতমসি মহাক অসামদা বিহুগী ঈশৈ শকপা হেক হেক য়াওবগী পাউসু ঐনা তাখি। জোন জোন লাউবা ফিরোল শেৎতুনা মশা নোম্লগা জগোয় মতেক্কসু য়াওনা ঈশৈ শকপসি পকচৈ। ডি গ্রেট টু নাইটস থৌরমদা য়াম্বুং আর কে নবনা কম্পিয়ার তৌবদা রুপ রাগগী শৈশকপা শৈশকপী খুদিংমক মমিং অমমম থোল্লগা ফম্বাক থক্তাকৌথোক্লগা শকহনখি। শরুংবম দেবলাবু ডিস্কো গার্ল দেবলা হায়রগা কৌথোকপীখিবনি। নুমিৎ অদুদগী শরুংবম দেবলাবু ডিস্কো গার্ল দেবলা হায়না খঙনখি। মমিংসি য়াম্বুং আর কে নবনা থোনখিবনি। জগোয় মতেক ঈশৈদা য়াওবগী ওইরমাল্লে।

ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল হোল অসি মতম অদুদা ঈশৈ নোংমাই চেরিটি তৌফম্নি। নোংমত্তা হোল শঙনদে। অৱাইমলসি লুপা চামঙানি হায়না খল্লি। অৱাইমল লুপা চামঙাসি মতমদুদা য়াম্মী অদুনা ৱায়বদা অখন্নবা থৌরম খক্তদা ৱায়নখিবনি। ঈশৈগী নাইট য়াম্না তৌনরম্মী। 'নাইট' হায়বসি তামো নোংমাইথেম পহাড়ীনা মণিপুরদা হৌদোকখি। পাহাড়ী নাইট তৌখিবদগী মখা তানা অতৈ নাইট ময়াম তৌখিবনি হায়জনিংঙি। শরুংবম দেবলাসি খুন্দ্রাকপম জয়কুমারগী হেক পোকমিন্নবা মচেগী মচানি। খুন্দ্রাকপমগী ইমুং ঐনা খঙজবদা ইচে তম্ফামণিদগী হৌরগা, খুন্দ্রাকপম জয়কুমার, খুন্দ্রাকপম প্রেমানন্দ ফাওবদা ঈশৈ শকই। মতুং তারকপদা খুন্দ্রাকপম জয়নন্দ ফাওবা অঙাং অমা ওইনা ঈশৈ শেন্বীদুনা তা-জয়না পুথোকখিবা থেংনখি। আর্টকী মতীক ময়াই অসি শরুংবম নিংঙোল ওইজরবসু দেবলাগী অপোকপীনা খুন্দ্রাকপম ওইখিবনা মচা নিংঙোলদা মপাম লমদমগী আর্টকী পীথোকলকপসি য়াওখি। মচা নীংঙোলদা শাফোংলকখিবনি হায়না ঐনা থাজজৈ। অঙাং ওইনা দেবলা জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামা পাম্মী হায়বসি ঐনা তপ্না ইমুং মনুংগী ৱারীদগী মরুওইনা ইচে তম্ফামণিদগী খঙজখি। ইচে তম্ফামণিনা ঐবু পোকমিন্নবা মৌপ্বা অমগুম লুনা তৌবীখি, ঐবু "ইবুংঙোচৌবা" হায়না কৌবা নত্তনা ঐগী মিং অমুক্তা মপূংফানা কৌখিদে। অসুম্না ইমুং মনুংগুম্না,হেক পোকমিন্নবা মৌপ্বা অমগুম লোয়নজরকখি। ঐনা ঙসি দেবলা নীংশিলকপদা ইচে তম্ফামণিবুসু নীংশিংলকই। ইচেনা ওফিস হল্লক্লগা অয়াম্বা মতমদা ইচেগী ঈশৈশিং ঐনা তবলা য়ৈরগা হেক হেক ওরাইমিন্নখি। ইচে লাইরিক হৈজদে ময়েক পাবা থোক্তে অদুনা মাগী ময়েক ঐনা পাদুনা তাহল্লগা চিনফা পুহনখি। চিনফা পুবা য়াম্না কল্লি। শাংখ্রবা ড্রামাগী, ফিল্মগী ডাইলোগশিং পাদুনা তাহল্লগা চিনফা হেক্তা পুবা ঙম্মী মসি ইচে তম্ফামণিগী পীথোকলকপনি। ইচেগী মনাক্তা দেবলা তোয়না লাকই অদুদগী দেবলাগসু খঙনরে। দেবলানা ঐঙোন্দা দাদা কৌই। মাগী ঈশৈগী কেসেট অমা ফোঙগনি কেসেট মখুম দিজাইন তৌবীয়ু হায়দুনা ঐনা মহাক্কী কেসেট অমা মখুম য়েকখি। মাগী কেসেট মখুমদু *"ঈশৈগী সুরদা তিঞ্জগে"* হায়না ঐনা মমিং থোনবীখি। মানা য়াম্না হরাউনা কেসেট মখুমগী মিংথোল অদুমক কেসেট অদুদা য়াউই হায়দুনা ঐনা য়েক্লিঙৈদা ইনাক্তা শক্তুনা তাহল্লম্মী। দেবলা ইচং থৌই, মী




কোইদে। মানা পাম্বা দং দং হেক্তা হায়। ঐনা মাগী অহানবা ইখিবা দ গ্রেট টু নাইটসতা শকখিবা ঈশৈ *"ঐগী পূক্লিং লৈকোন্দা লৈশাৎ তল্লে মালিকা"* হায়বসি কোন্নথংদা মহাক্না *"প্রেম পরিজ াৎ"* হায়না কৌবা কেসেট অমদা ফোঙলে হায়দুনা কেসেট অমা পীরমখি। মতমদু দেবলা মমিং য়াম্না চৎলকখিবা মতম্নি। ওডিও কেসেটশিং মশানা পুথোকখিবা অমদি অতোপ্পনা পুথোকপদা ঈশৈ হাপ্তুনা য়াম্না শকলমখি। রুপ রাগগী নুপীলক্তা মচিন তুমখৎলকখিবী শৈশকপী নুপীমচা ওইরম্মী। মহাক্না হৈতবা লৈতে। এক্তিংসু নীংথিজনা তৌই। চহী খুদিংগী পাংথোকপা চাক্লাম খোঙচৎতসু মরুওইবা রোল লৌদুনা কুমখিবনি। চৈচৎ কুমশীং ১৯৮৪গী পরিংদা ভিডিও ফিলম (VHS format) য়াম্না পুথোক্লখি। ভিডিও ফিলম *'অনন্দি'* কৌবা অমা রাজকুমার চন্দ্রকুমার, কৈশামথোংদা লৈবনা ১৯৮৯দা পুথোকখি। দেবলানা অহানবা কুম্বা ভিডিও ফিলম্নি মমিং চৎখি। অনীশুবদা মোইরাংথেম ইনাওগী *"অদুঙৈগী মশান্নগুম"* (১৯৮৯) অসিদা কুমখি। মহাক্না ভিডিও ফিল্মগী প্লেবেক সিঙ্গর অহানবা ওইবসু ফিল্মসিনা অহানবনি। মতমসিদা দেবলা মীয়াম্না পোপুলার প্লেবেক সিঙ্গর অমদি একত্রেস অমা ওইনা খঙনবা হৌরকখি। দেবলানা মথং মথং কুমলকখিবা ভিডিও ফিলমশিংদি- *অরোয়বা ৱাহং, ক্বা মতপ* অসিনচিংবনি। অতৈ ভিডিও ফিল্ম খরসু লৈরম্বা য়ারি। পঞ্জরিবসি ওল মণিপুর ভিডিও ফিল্ম মেকর্স এন্দ প্রুড্যুসর্স এসোসিয়েসন (AVIMPA) না শিন্দুনা পাংথোকখিবা 'অহানবা ভিডিও ফিল্ম ফেষ্টিভেল ১৯৯৩' দা ফোঙখিবা সোভেন্নিরগী মতুংইন্না পঞ্জবনি। শরুংবম দেবলানা কুম্বা ফিল্ম অয়াম্বদা মহাক মশানা প্লেবেক সিঙ্গর ওইনা ঈশৈ শকই। মশানদি কুমখিদবা *'করিগুম্বা মঙলান ওইরম্লবা'* ফিলমদসু প্লেবেক ওইখি। ভিডিও ফিল্ম কূম্না কূম্না য়াম্না তাঙনা ১৯৯২দা পিকে ফিল্মসনা পুথোকখিবা সেলুলোইদ ফিলম 'খোন্থাং'দা হিরোইন কুমলকখি। ফিল্ম অসি নেস্নেল এৱার্দ ফংখি। সেলুলোইদ ফিল্ম *"অমুবা চন্দন"* অসিদা লিদ রোল অমদি প্লেবেক সিঙ্গর অনীমক ওইখি। *'ওপরেসন সঙাই'* ফিল্মদনা প্লেবেক সিঙ্গর খক্তমক ওইখি। চিথ-নাম্থহৌবা খরা লৈরমখিবসু য়াই।

দেবলানা মণিপুরী ফিলমগী নুপী ডাইরেক্টর ওইনা ফিল্ম নমনিংবগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকলম্মী। *'চন্দ্রকা'* হায়না কৌবা উপন্যাস, ৱারী মপূম অমদা য়ূম্ফম ওইরগা ফিল্ম অমা পুথোক্লবা মশামকসু লিদিং রোল ওইনা কূম্নবা মহুরট ফাওবা তৌরমখিবগী পাউ লৈরি। মশক থোকপা ঈশৈ অমদি ফিল্ম পুথোক্লবগী থবকসু খরা হৌরমখি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী ড্রামা অমদি ঈশৈ অনীমক্তা এপ্রুভ তৌখিবা আর্টিষ্টনি। রেডিও ড্রামা অমদি সেরিরেল *'লৈরাংবী'* নচিংবা কয়াগী লিদিং রোল লৌরমখিবীনি। সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ান্স এসোসিয়েসন, (কাটা) গী অচঙবা মেম্বর ওইরম্মী। মহাক্কী এলবম অমগী ঈশৈ অমা ইবীনবা অমুক্কসু হায়রম্মী। ঈশৈ অসি মহাক্কী মামতোন খুন্দ্রাকপম প্রেমানন্দগা শক্লবনি (ডুইয়েট শোং) ৱাখল খল্লগা ইবীয়ু শিন্নরম্মী। খনবা হৌখি, ফজবা ফজদবা খঙদে ময়েক থোকলকখি- নুপানা হৌইঃ- *শাৎলো লৈরাং ফুগাইনা, কৌরৌনা চীংয়া থাংদ্রিঙৈ।* নুপীনা অমুক খুমখিঃ- *ঙমজখিরোই শাৎচবা ঙমজরোই, হেকপীগনু নৌরিবী লৈরাংনি, শাৎচবনি উনালক্তা খোইমু শহুম কিজবনা..।* মহাক্কী মতম ঈশৈ য়াম্না লৈখি- *'নীংখায়বদা ননগদবা মঙলান ফুরা শারুনু, মাঙখিদৌবা নুংশিবা হাক্লা থাজরুনু'* মহাক্কী হিট শোংনি। দ গ্রেট টু নাইটসতা অনৌবা শৈশক প্রজেনটেসন ষ্টাইল অমা ওইনা পুন্না শকপা- *কৈদা লৈগে নঙবু ?...সিদা লৈ করিগীনো?...সিদা হায়দি কদায়দনো ?* মশক উৎতনা মীয়ামলক্তা খোঞ্জেল খক্তা হান্না ঈশৈ ওইনা তাহল্লগা কোইথি থিদুনা শকপা অনৌবা শৈশকসিগী শৈশকপী দেবলা ওইখি। নব ভোলকেনোগা ডুইয়েট শোং ওইনা শক্তুনা পুথোকখি। মশাদা আর্ট এক্তিং হৈখিবনা মথেল অমা ওইনা পুথোকখিবা ঈশৈ ঙসি নৌহৌননা নীংশিংঙি।

ঙসিদি নোংমা নোংমগী মহাকপু কাওরকই। ঐখোয়গী ইরক্তা শরুংবম দেবলা মতম ঈশৈ শকখিবী, প্লেবেক সিঙ্গর, একট্রেস অমা লৈরম্মী হায়বসি কাওথোকলকখিবা কুইরে। মহাক্না শকখিবা ঈশৈ ফাওবা মতমসিগী থোকলক্লিবা ঈশৈ মখল ময়াম অসিনা মরোল নাইনা ননশিনবীখিদুনা করি ঈশৈ শকখিবগে হায়বা কাওরক্লি। তা-জয়কুমারগা পূন্না শকপা অমুবা চন্দন ফিল্মগী ঈশৈ অমা ঙসিসু মীয়াম্না কাওনদ্রি। ঈশৈ অসিমক্তি নিংঙোম্বম তোম্বনা হান্না ১৯৯৫ তা ইম্ফালগী রোয়েল সাউন্দা তা-জয়কুমারনা শৈপান্দুনা শকখিবা লৈখ্রে। চৈচৎ কুমশীং ১৯৯৬ তা 'অমুবা চন্দন' ফিল্ম পুথোকলকপদা য়ানখিবা অমগী মখাদা নিংঙোম্বম তোম্বগী মহুৎতা তা-জয়কুমার অমদি দেবলা অনীনা শকখি- *কুইরে মপাউ তাখিদবা, চিথি থাখি পাউখুমদি ফংদে, খাংফম খঙদে মীরমসিদা লৈতাফম খঙদে মাবু ঙাইবদা।* শরুংবম দেবলা নৌনা পূন্সি পিখম্নখি। পাম্মুই হায়না শোঞ্জহৌবা নত্তনা ঐখোয়না মাগী পূন্সি কনবা ঙমখিদে। চহী ফনা কুইরে মতম ঈশৈ লক্তা মহাক্কী খোঞ্জেল তারকখিদবা, মমিগী কূম্মোদা মহাক্কী চেংলৌ উখিদবা। নীংথম থা, পোইনু ৱাকচীংগী অঙীংবা নুংশিৎনা শিৎলকপদা মহাক্কী ঈশৈশিং তপ্না তপ্না তাবগুম্না তৌরি।

- ***মাখোনমনি মোংসাবা***

# রাগ দরবারী-৭৬

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

পিক্তুগী পিশুম শুকতোকরকই, মচিন পৈথোরকই। মহাক্না ফম্লম্বা মফম অদুদা লেপখৎলক্তুনা সরপঞ্চতা হায়রকই, "ঙসাইদগী করি-করিনো ঙাঙন-শক্লরিবা পুন্নমক অদু তোক্লো। ঐনা শাওরক্তুনা কন্থরক্লবদি ফাইলনুংগা লোয়না পুমচাই চাইনিকো। পুং অনিগী মমাংদগী তারিবনি, ঐগী পাবুংবু নখোয়না নাক-য়েৎতগী ফত্তবা মী অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবনিনেকো। ঐগী ইপা ফৎতবা মী ওইরবদি নখোয়গী নপাদি কয়াম ফবনো?" ৱাফম অদু হায়র-হায়রদুনা পিক্তুগী খোঞ্জেল ৱাংখৎলকই, "ঐ হৌজিক শিদ্রি, হিংলি। হৌজিক অশেংবা নুপামচা থোকপা য়াওরবদি ঐগী ইপাদা মচিন থিরগা য়েংউ, ঐনা কৈদৌরকপগে হায়বদু।"

পূন্নমক তুমিন্না লৈনরম্মী। পিয়োন অদু তুমিন্না শঙ্গোন অদুগী মচি অমদা হৌদোংদৌনা চোংথোকখিদুনা লোৎখ্রে। সরপঞ্চজিসু ইঙক ঙক্লা লৈরম্মী। কুসহরনা ঈংনা-তপ্না নুংঙাইনা নুংশা শ্বর হোনজিল্লি। মালা জপ তৌরম্বা খুঙ্গংগী লুচিংবা অদুসু মমিৎ উইশিল্লদুনা হায়, "হে প্রভু!"

পিক্তু শাফবনা লাউ খোংলদুনা অদুমক লৈরম্মী, "এ প্রভো! নঙগী মালাগদো নয়াদা হাপচিল্লগা নবুক্তগী কোৎথোক্লগা লৌথোক্কনি। নঙসু ঐগী ইপাদা মচিন থিখিবা নৎত্রা?"

কুসহরসু হৌজিক ঙাঙবা হৌরকই, "ইবুংঙো পিক্তু ! য়ারে-য়ারে হেনমল্লে ইবুংঙো, তুমিন্না লৈরো! মফমসি কোর্টনি। নঙগী নথক্তা কেস তৌশিল্লক্লদি ফরক তানি।"

"পাবুং নঙ তুমিন্না ফমদুনা লৈয়ু, ঐ পুন্নমক খঙই। ঐ ইশামক হয়েং সিটিদা চৎকনি অদুগা মখোয়গী মথক্তা কেস তৌগনি। মখোয়না নঙোন্দা মীয়াম মাংদা করি-করিনো য়াম্না ঙাঙখিবদাই। মখোয় পুন্নমক লুপা লাখ অমগা লিশিং ১৫গী য়ুমজাওদা থবক হেক শুহনবা ঙমদ্রবদি ঐ নঙগী নচা নত্তে হায়বা য়াই।"

ৱাফম অদু হায়রদুনা মহাক্না কুসহরগী মখুৎ পায়রদুনা চিংবোই-লাকপোই শঙ্গোলশঙ অদুগী মপান্দা পুথোকখি।...

নুমিদাং অদুগী ঙাইহাক মমাংদা ৱেদ্যজি য়াম্না ইংবা ফাওখি। মদুনা মরম ওইদুনা মহাক তুম্বা য়াখিদে। চ্যৱনপ্রাস, স্বর্ণভস্ম অমসুং বদামনচিংবা য়ান্নরগা চারবসু অইংবা অদুনা মহাক্কী উনশা মনুং ফাওবা চঙলক্তুনা শদোং ফাওবা য়ৌরকখি, শদোংদগী অমুক হকচাংগী শরু ফাওবা য়ৌরক্তুনা ইংবনা থক-থক নিক্লকই। মহাক্না ফৈজুপ অদু তাশিন-খোমজিন্নবা হোৎনৈ। তাঞ্জা অদুদা করিগুম্বা অমা মহাক্না নিংশিংলকই মদুদি মথন্তা ফমুংদা তুম্বা হায়বসি য়াম্না ইংবা হায়বদু ওই। নিংশিংলক্লিবা ৱাফম অদুগী মতুংদা মথং-মথং ৱাফম কয়া অমসু নিংশিংলকই। মদুগী কান্নবা হায়ববু মহাক তুম্নিংবা ফাওরকই। ঙাইহাক তুমিন্না লৈ, অদুবু ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা পুক মনুংদা কারক্লিবা নুংশিৎকী নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা পোৎথাফম খঙহল্লমদে। হকচাংগী মখা থংবা শরুক অমদি মথক থংবা শরুক্তগী য়াম্না তোয়না বোম পোখায়বগী মখোলগুম্না হৌনা মখোল কয়া থোক্লকই। মহাক্না ফৈজুপ অদু কোনশিল্লদুনা হান্না তুল্লম্বা মায়কৈরোমদগী অতোপ্পা মায়কৈরোমদা ওন্থোরকই। কায়নথংদা মহাক অরোইবা বোম পোখায়বগী খোঞ্জেল অদু তারদুনা অমুক হন্না তুমথখ্রে। শাফু কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু অতেবা হুই অমোম অমগুম মমৈ কোন্থরদুনা মনাতোন্দগী থোরক্লিবা নাখেবগী মওংদা তপ্না থোরকখি। মহাক তুমখ্রে। মতমদুদা মহাক্না প্রজাতন্ত্রগী মঙলান অমা য়েংই।

মঙলানদা মহাক্না উই মদুদি প্রজাতন্ত্র মহাক্কী মনাক্তা লৈমায় মখাদা খুউখুদক কুল্লদুনা ফম্মি। মহাক মখুৎ লোন্নরদুনা লৈরম্মী। মহাক্কী মশক অদু হলৱা হৌবা মীওই অমগুম্না উই। অঙ্গ্রেজিদি অদুমক অঙ্গ্রেজি ওইনা উই, মহাক অশেংবা হিন্দি লোল ময়েক শেংনা ঙাঙবা ঙম্লমদে। অদুবু মহাক মঙক নোন্থরদুনা ৱেদ্যজিদা হায়জদুনা লৈরম্মী, ৱেদ্যজিনসু মহাক্না হায়জরিবা ৱাফম অদু তাদুনা লৈরম্মী। ৱেদ্যজিনা মহাকপু তোয়না-তোয়না ফমফমদা লেংশিন্নবা হায়রম্মি অমসুং মহাক্না থেল্লম্মী মদুদি নঙ লায়রবা মীশক অমা ওইরবসু ঐগী মরি মতানি। প্রজাতন্ত্রনসু মকোক নোন্থরদুনা হোয়-হোয় অমসুং মপু ইবুংঙো হায়দুনা লৈরম্মী। ফনা য়াম্না থেল্লবা মতুংদা প্রজাতন্ত্র হৌগৎলক্তুনা ৱেদ্যজিনা ফল্লিবা মফম অদুগী মচি অমগী মনাক্তা লাকই। ৱেদ্যজিনা থেমজিনবা হেনমনখিবদগী মাগী মচিন্দগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়বা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্না ৱেদ্যজিদা হায়জরকই মদুদি ঐগী ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাউ শেগায়রে, শেৎনবা খোঙ্গ্রাউ অমদি লিৎনবা ফুরিৎ লৈত্রে। ফীভম অসিদা ঐহাক মীমাংদা থোকপদা ইকায়বা ফাওরে, মরম অদুনা হে ৱেদ্য মহারাজ, ঐগীদমক তশেং-তশেংবা ফজবা শেৎননবা ফৈজোম অমা পীবিয়ু।

ৱেদ্যজিনা বদ্রি শাফবদা ইমুংদগী ফৈজোম অমা পুথোরক্লবা হায়রম্মি; অদুবু প্রজাতন্ত্রনা য়ানিংদবগী মওংদা মকোক নোম্লম্মী। মহাক্না হায়, ঐ অদোমগী কোলেজগী প্রজাতন্ত্রনি অদুগা অদোম্না কোলেজগী চহী খুদিংগী ফম্বা মীফমদা চহী কয়াদগী য়াওনবা কৌরকখিদে। মেনেজর খনবগী ইলেক্সন কোলেজ অসি হেক হৌখিবদগী ঙসি ফাওবা তৌদ্রি। হৌজিক-হৌজিক কোলেজ অসিগী ফীভম য়াম্না ফগৎলে, অদুবু শুপ্নগী ঐ খক্তা কোলেজ অসিগী কাচিন অমদা তাদুনা লৈরি। অমুক্তং নিয়ম চুম্না অদোম্না ইলেক্সন তৌহনবিয়ু। মদুনা ঐগী হকচাংদা অনৌবা ফিজোল অমা থোনবা হায়বদু ওইগনি। ঐগী ইকায়বা অদুসু কুপখ্রগনি।

ৱাফম অদু হায়রম্লগা প্রজাতন্ত্র মফম অদুদগী মপাল থোকখ্রে। ৱেদ্যজিগী তুম্বা অমুক কায়রকই। হেক হৌগৎপগা মহাক্না মশা মনুংদা লৈরিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু অমুক হন্না অনৌবা মওংদা বোম অমা পোকখায়হল্লি। মখোল অদু তারদুনা মহাক্না চপয়ুংনা খল্লি মদুদি য়েংবদা মী মান্দ্রবসু প্রজাতন্ত্র অফবা মী অমনি, ঐখোয়গী মীনি অমদি মহাক্কী মতেং পাংবা ফগনি। মঙোন্দা য়ামদ্রবদা অনৌবা ফিজোল অমদি পীবা ফৈ, মদুনা মীওই মঙাগা উনবা অমদি ঙাঙন-শক্লবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি।

-মথং-মথং

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**